# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 07-11-2024)

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রিগী ইন্টরনসিপ স্কিমনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু থবক ফংহনবদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি।

ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙরাং পাঙথোকপা চীফ মিনিস্তরস কোচিং স্কিম ফোর এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন টু প্রোফেসনেল কোর্সেস হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রিগী ইন্টরনসিপ স্কিম পাইলোট প্রোজেক্টনা লৈবাক অসিগী নহারোল লাখ অমা লিশিং ২৫ রোমদা ইন্টরনসিপ পীদুনা কান্নবা ফংহল্লি। মদুগী মনুংদা মনিপুরগী ওইনা সিট ৭৬ য়াওরি। মহাকা হায়-থৌরাং অসিনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা হেন্না খুৎ-শা হৈহনবগা লোয়ননা থবক ফংহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা ফংবা য়ারবা নহারোলশিংনা তুংগী য়াইফনবগীদমক অসিগুম্বা স্কিম অসিদা শরুক য়াবা তঙাইফদে। কেন্দ্রগী কোরপোরেট এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না প্রাইম মিনিস্তরস ইন্টরনসিপ স্কিম ২০২৪ গী এপ্লিকেসন কৌরি। পাইলোট প্রোজেক্ট অসি ওন লাইন পোরটেল-ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট পিএম ইন্টরনসিপ দোট এম.সি.এ. দোট গোভ দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি। চহি ২১ দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লাস টেন, টুয়েল্ব, পোলি-টেকিক, দিপোমা নৎত্রগা গ্রেজ্য়েট পাস তৌরবা মহৈরোইশিংনা স্কিম অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা য়াগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী ভিক্তোরিয়াজ মার্ট, মার ভেং অমসুং রেংকাইদগী য়ুঙৌ অমদি ফোরেন লিক্করশিং ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবশিংগী মনুংদা বিহার কেন ২৫২, ৱিসকি বোটল ৪২, ৱাইন বোটল

১৮, যুঙৌ লিটর ৮৪, গোল ম্যান্মার য়ু লিটর ২৩ য়াওরি। মসিগী অপুনবা শেনফম চাউরাকা লাখ অমা লিশিং ৫৬ রোম ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মাল পুবা গাড়ি ১২০ ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে। মসিগীসু মথক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা চেক পোইন্ট ১১২ হাংদোক্লুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**হেলথ (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী হকশেল অমদি য়াইফ য়ুন্বাল বিভাগকী অনৌবা দাইরেক্তর ওইনা ডা: চেমবো গোলমৈ হাপখ্রে। রাজ্যগী পার্সোনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব রিফোমর্স বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক এদিসনেল দাইরেক্তরগী ফম পুরিবা ডা: চেমবো গোলমৈবু হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বালগী দাইরেক্তর ওইনা থবক পুরগনি।

মহাকপু ফম অসি হাপ্লকপদা রাজ্য সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যমাইনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মন্ত্রিনা হায়-চেমবো গোলমৈগী কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনবা কনবনা ফম অসি য়ৌরকপা ঙম্বনি। মখা তাবা মহাক্কী পুন্সিদা মায় পাকপা ওইরসু।

**নোনে (এল)ঃ** নোনো জিলাগী লোংচুম খুলগী খুঞ্জাশিংদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা জল জিবন মীসনগী মখাদা শাখিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং অথুবা মতমদা মথৌ তৌহল্লু হায়না লোংচুম ভিলেজ ওথোরিতিনা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

রেলৱে প্রোজেক্ট লাকখিবদগী খুঞ্জাশিংনা থকবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োকদুনা লাকখি হায়না ভিলেজ ওথোরিতি অসিগী এতোরনি চেয়ারমেন-গুইকমলাক কামৈনা হায়রি। মহাকা হায়-ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োকরিবা অসি জল জিবন মীসনগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিনা ফংহল্লগনি হায়না থাজরম্বনি। অদুবু প্রোজেক্ট অসিগা মরী লৈনবা থবকশিংগী বিল পীথোক্তবনা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং থবক হৌদনা লৈরে। হীরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না মখা তারি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** অনিশুবা কেক্রেবম সনাতোন সিংহ মেমোরিএল বেষ্ট জর্নেলিষ্ট ২০২৪ পীনবগীদমক থা অসিগী ১০ ফাওবগ মনুংদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি হায়না জিরি ন্যুজ নেটৱার্ককী চেরোল অমনা হায়রি।

চহি অনি অনি খুদিংগী পীবা জর্নেলিষ্ট এৱার্ড অসিগীদমক কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর তাং ২১ দগী হৌরগা চৎলিবা চহি অসিগী নবেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোংখিবা প্রিন্ট নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী পাউগী ক্লিপশিং য়াওনা দরখাষ্ট থারকবা চেরোল অসিনা মখা তারি।

**পিএম ঃ** লৈবাক অসিগী অফবা মহৈরোইশিংদা শেলগী তেংবাং পীনবা স্কিম, পি.এম. বিদ্যালক্সমি স্কিম কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়-মহৈরোইশিংনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তমবা লোন লৌবদা গেরেন্টরনচিংবা য়াওদনা লৌবা য়ারগনি। মহাকা হায়-স্কিম অসি লৈবাক অসিগী নহাশিংদা শেলগী অৱাবা মায়োকদনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং তম্বদা খুদোংচাবা ফংনবা পায়খৎপনি। স্কিম অসিগী মনুং চন্না মহৈরোইশিংনা লুপা লাখ ৭ মখায় ফাওবা লৌবা য়াগনি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী মহৈরোই লাখ ৭ লোমদা কান্নবা

ফংলগনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌনিংবশিংনা পি.এম. বিদ্যালক্স্মীগী য়ুনিফাইদ পোরটেলদা দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি হায়রি।

**ত্রম্পঃ** আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি মীখলদা মায় পাক্লবা-দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়রি-মালেমগী মফম কয়াদা থোক্লিবা লানশিং লোয়শিনবা হায়বসি মহাক্কী মরুওইবা ফিরেপনি।

মীখল মায় পাক্লবা মতং সাউথ ফ্লোরিদাগী পাম বিটচতা মহাক্কী ৱারোল পীরদুনা হায়-মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোক্লিবা লানশিং লোয়শিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ইমিগ্রেসনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। মসিগীদমক আমেরিকাগী ঙমখৈশিং নীংথিনা ঙাক শেনদুনা থমগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিস্তর কোচিং স্কিম ফোর এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন টু প্রোফেসনেল কোর্স-হায়রিবা স্কিম অসি হৌদোকখিবগী পাউশিং ঙসি ফোংবা পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি। লোয়ননা আমেরিকাগী মীখলদা দোনাল্ড ত্রম্প মায় পাকখিবগী পাউসু ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

মনিপুর ন্যুজকী অহানবা হেদলাইন অসি সি.এমনা মেদিকেল অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং ষ্টুদেন্টসশিংগী ওইনা ফ্রি কোচিং প্রোগ্রাম লোঞ্চ তৌখ্রে, কোচিং অসিদগী জি অমসুং নিট ইগজাম পাস তৌরবা মহৈরোইশিং মখা তম্বদা অচংবা শেনফম সরকারনা পুথোক্কনি হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে।

স্কিম লোঞ্চ তৌবগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংদা

য়ুম্ফম ওইবা হেদলাইনশিংসু ফোংনরক্লি। মদুগী মনুংদা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-শান্তিগী মিংদা মীতোপতি কোনশিল্লোই হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকলদা ফোংবা থেংনরে। নহারোলগী থৌদাংদনা লৈঙাকা চংশিল্লবা ৱার এগনেষ্ট দ্রগ অমদি এন.আর.সি. কৈদৌঙেদা কমপ্রামাইজ তৌরোই হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন অসি মোইরাংপুরেলদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৩০০ রোম কাপশিল্লকখ্রে। লৌবুক্তা থবক শুরম্বশিং চেনখৎনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ-হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি হেদ লাইন অদুদি নিংঙোল চাক্কৌবদা য়ৈখায় থিনগায়বা পীরকখিদ্রবসু লৌরোক পন্থাদা কুকি টেরোরিষ্টশিংনা অমুক্কসু কারন তৌরক্লে। লাইখোং অমসুং কৌত্রুক্তা নোংমৈ কাপশিনদুনা কায়হৌরক্লে।

হুইয়েন লানপাদা ফোংবা অখন্নবা পাউ অমদনা এম.এল.এ. মিনিস্তরশিং দিল্লিদা পাইশিন্নবা লেপত্রি। নবেম্বর ৯ দা দিল্লিদা করম্বা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবগে হায়বা হেদলাইন অসি পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম কংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইনি। পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা দোনাল্ড ত্রম্পনা কামালা হরিশপু য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট মীখলদা মায়থিবা পীখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি মোরনিং বেল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর ন্যুজ, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক অমসুং তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি-এক্সাইস দিপার্টমেন্ট-ষ্টাফ ৭০৬ লৈগদবদা শুপতগী ১১০ খক্তমক ঙায়রে। ইন্সপেক্তরনা ও.সি. ওইগদবদা এ.এস.আই. অমনা ষ্টেসন অনিগী ও.সি. ওইবা য়াওরে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিসনা মাওদা জে.এন.এফ.সি. কোর্ট শঙ্গাখ্রে হায়বা হেদলাহন অসিনি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন অসিনা ডাক্তর চেমবো গোলমৈনা রাজ্য সরকারগী হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তর ওইবা অহানবা ত্রাইবেল ওইরে হায়বা হেদলাইন অসিনি।